# হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট তোঙানবা দিপার্টমেন্ট অমা লিংনবা তকশিল্লগনি

- এল ইবোমচা

*ইম্ফাল, মে ৫ঃ* মণিপুর সরকারগী কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট এৱার্দদি টি ঐচ তনুজা দেবী, মাষ্টর ত্রেন্নরগী মীৎয়েং মখাদা ঙসিদগী থা ৬ চুপ্পা চত্থগদবা ''শাফি-লানফি'' গী ত্রেন্নিং অমা কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকাইদা লৈবা যুমজাও লাইরেম্বী কম্ম্যুনিটি হোলদা হৌদোকখ্রে। থৌরমদুদা মণিপুরদা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটকী তোঙানবা দিপার্টমেন্ট অমা লিংনবা লাক্লিবা এসেমব্লি সেসনদা তকশিল্লগনি হায়না কৈশামথোং কেন্দ্রগী এম এল এ লাইসোম ইবোমচানা হায়খ্রে।

তোঙান তোঙানবা ত্রেন্নিং ১০ না শরুক য়াগদবা ত্রেন্নিং অদু হৌদোক্লদুনা চিফ গেষ্টকী ৱারোলদা এম এল এ ইবোমচানা মখা তানা হায়খিবদা লমদম অসিগী হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট চাওখৎহনসি হায়রবদি ঐখোয় ইশাদগী হোংদোকপা তাই। মসি চাওখৎহনবা অহানবা ওইনা ভারতকী অতে মফম কয়াদা লৈবা মণিপুর গেষ্ট হাউসতা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটকী পোথোক শীজিন্নবা তাই। তশেংনমক্তি লিদর শাবা খরনা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট চাওখৎহনসি হায়রবদি মেদিয়া য়াওনা সরকারগী মেছিনরি, আর্টিসানশিংনা মতেং পাংদুনা থৌনা ফনা থবক তৌবা তাই। লোয়নননা সরকারনা অশানবা মীৎয়েংগা লোয়নননা আর্টিসানশিংগী হৈথোই শিংথোইবগী মতুংইন্না ইন্সেন্টিভ অমদি এৱার্দ পীবিবা চংই।

দি সি হেন্দিক্রাফটকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর রোল্লি ভারেসিম অমদি সেনিয়ার দিজাইনর মোকুমার হাওবমনচিংবনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা থৌরমদুগী প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী ফঙ্কসনেল মেনেজর এস বিরেন্দ্র সিংহনা হায়খিবদা মণিপুরনা মালেমদা শক তাকপদা আর্ট এন্দ কলচর, স্পোর্টসতা নত্তনা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটসু অমনি। হায়রিবা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটসিদা ''শাফি-লানফি'' অমদি রানি ফিসু পনবা য়াই। অদুনদি মসিগুম্বা পোথোকশিং অসি মপুংফানা য়োকখৎনবা ঙসিগী অসিগুম্বা ত্রেন্নিং কয়া মথৌ তাই। ত্রেন্নিংশিংনসু ত্রেন্নিংগী জ্ঞানশিং অদুগা লোয়নননা ষ্টেট অমদি নেসনেল এৱার্দ ফংনবা হোৎনবীগদবনি।

# লাইরোইগী হিয়াং তান্নখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ৫ঃ থৌবাল খেকমন্দা লৈবা 'ৱাংব্রেন ঈরৈমা' গী চহীগী হরাওবগী লাইরোইগা মরীগা মরী লৈননা মহৌশাদগী হৌনা চৎনদুনা লাক্লবা লিক্লম-পরিংগী মনুং চন্না কুমশি-কুমগীসু ঙসি থৌবাল তুরেলদা হিয়াং তান্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী হিয়াং তান্নখিবা অদুদা নুপা কাংলুপকী ওইনা 'শিংলোই পনা' দা খেকমন মখা লৈকায়দগী অহন্থেম বসন্ত তেংমাই লেপখি। অদুগা 'লারোই পনা' গীনা খেকমন ময়াই লৈকায়দগী ৱাংজম রাজেন্দ্রোনা তেংমাই লেপ্পা ওইদুনা হিয়াং তান্নখি। মদুদা লারোই পনাদা থোইখি হায়রি।

মৌগী কাংলুপ্তা 'শিংলোই পনা' গী ওইনা খেকমন ৱাংমা তাবা ময়াই লৈকায়দগী ওক্রম সনাতোম্বী অমসুং 'লারোই পনা' গীনা খেকমন ময়াই লৈকায়দগী থোঙাম থোইবীনা তেংমাই লেপ্তুনা হিদান্নখি। মদুদা শিংলোই পনানা থোইখি হায়রি।

লৈশাবীগী ওইনা খেকমন মথক লৈকায়দগী য়ুম্নাম অনিতা অমসুং খেকমন অৱাং লৈকায়দগী অসেম থোইবী অনিনা তেংমাই লেপ্নদুনা 'শিংলোই পনা' অমসুং 'লারোই পনা' হিয়াং তান্নখিবা অদুদা লারোই পনানা থোইখি হায়রি।

লাইশোন-তিনশোনগা লোয়নননা পাঙথোকখিবা হিয়াং তান্নখিবা অদুদা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুম পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখিবা থৌরম অদুদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর এমদি অব্দুল নাসিরসু শরুক য়াখি হায়রি।

# নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ৫ঃ য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন্না লৌবা সিভিল সার্ভিসেস ২০১১গী পরিক্ষাদা ককচিং মখা লৈকায় রাজধানি পরেংদগী নোংমাইথেম বন্ধনা দেবী অপোকপা নিমাই অপোকপী মনিহল দেবী অমদি ককচিং মখা লৈকায় ময়াংলাম্বম পরেংদগী য়েংখোম নবকিশোর অপোকপা তোম্বা অপোকপী সনাহল দেবীনা মায় পাক্লকপদা রিপ্রজেন্টেটিভ ওফ লোইজ ককচিংনা হরাওবা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি। লোয়নননা মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না ঈশ্বরনা থৌনিজরি হায়রি।

# লিগেল লিতরেসি প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, মে ৫ঃ* ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ সার্ভিস ওর্গনাইজেসন, ৱাংজিংনা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটি, থৌবালনা খুৎশম্নরগা নোংমগী ওইবা 'এৱার্নেস এন্দ লিগেল লিটরেসি' প্রোগ্রাম অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী লমদিং খুমন্থেম লৈকায় মৈরা শঙদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চিফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট, থৌবাল, আর কে মেমচা দেবীনা চিফ গেষ্ট, শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট-টু জি পি গী প্রধান, এম দি ৱাহিদুর রহমননা প্রসিদেন্ট অমদি বিনি ঙাঙোম, জে এম আই সি, এস দি পি ও থৌবাল, লালবোই হাওকিপ, লোয়নননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট, এদভোকেট মোধুনা গেষ্ট ওফ ওনরশিংনা ওইনা শরুক য়াখি।

আইনগী লমদা মীয়ান্না তঙায়ফদনা করি করি খংবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুনা এদভোকেট কে ঐচ অরুনজোইনা ''অহল ওইরবশিংগী হক'', হায়বা হিরমদা, ''নুপীদা চত্থবা মীওৎ-মীনৈ অমদি হিংশা'' হায়বা হিরমদনা হ্যুমেন রাইট লো নেটৱার্ককী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর, টি ঐচ প্রেমিলাগা লোয়নননা ''হিংনবগী হক'' হায়বা হিরমদা ঐচ আর এল এনগী একজিক্যুটিভ দিরেক্টর, রাকেশ মৈহৌবমনা রিসোর্স পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাংখি।

লোকেল প্রধান, মেম্বর অমদি আইনগী লমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়া য়াওনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা মীয়ান্না মশা মশাগী ফংফম থোক্লবা হক কয়াগী মতাংদা কন্দায়ফাওবা আইননা মতেং পাংবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা ৱাহং-পাউহং তৌনখি।

# মেম্বর খল্লক্লে

*ইম্ফাল, মে ৫ঃ* য়াইস্কুল মোইরাংখোমদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল ফো চাইল্ড ৱেলফেয়রগী ওনরেরি সেক্রেটরি ৱাই সরতপু য়ু এস এগী কলারাদোদা লৈবা ইন্টরনেস্নেল সোসাইটি ফোর প্রিভেন্সন্স ওফ চাইল্ড এব্যুজ এন্দ নেগলেক্কী মেম্বর ওইনা খল্লকপগা লোয়নননা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ৯ দগী ১২ ফাওবা ইষ্টানবুলদা চত্থগদবা ইন্টরনেস্নেল কংগ্রেস ওন চাইল্ড এব্যুজ এন্দ নেগলেক য়াওরনবা বার্ত্তন তৌরক্লে হায়রি।

# যোগগী রেসিদেন্সিয়েল কেম্প

*ইম্ফাল, মে ৫ঃ* দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংদগী নুমিৎ ২০ নিগী ওইবা যোগ, থাং তা অমসুং কাং মশান্নগা রেসিদেন্সিয়েল কেম্পতা শরুক য়ানবগীদমক দরখাষ্ট কৌরি।

হায়রিবা মশান্নশিং অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা রেসিদেন্সিয়েল কেম্পতা শরুক য়ানিংবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংনা লাক্লিবা মে ৮ ফাওবগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস থৌবালদা দরখাষ্ট থাবা য়াগনি। লোয়নননা অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়না ওফিস অসিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট বি উমেশ্বরি দেবীগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# গেঙ য়াওনা অনি কম্মান্দোনা ফারে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ৫ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা ঙরাং অয়ুক পুং ৯:৫৫ রোম তারকপদা পাওনা বজারগী প্রতাপ টোকিজ মমাং অমসুং আলূ গল্লিগী সূলাব মনাক্তা চত্থখিবা থিবা-হুম্বগী থবকশিংদা কে সি পি-এম সিগী এক্টিভ মেম্বর অমা অমসুং গেঙ অমা ফারে হায়রি।

ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এস পিগী চেরোল অমদা হায়, ফারবশিং অদুদি লিলোং হাওরৈবী তুরেল অহন্বীদগী এমদি নজির হুসেন (৩১) অপোকপা এমদি অব্দুলহৈ অমসুং ক্ষেত্রি ময়াই লৈকায়দগী কে ঐচ ইমতিয়াস (২১) অপোকপা হুসেননি।

পনবা য়াবদি, এমদি নজির হুসেনদি ঙরাং ইবোবী সরকারদা এগ্রিকলচর অমদি ফিশরি মিনিষ্টর ওইরিবা অব্দুল নসিরদা ধপ-তৌদুনা টেলিফোনদা কিহল্লকপদগী মিনিষ্টর মশানা ফারগা পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়না মেডিয়াদা ফোংদোক্লখ্রবনি।

# সাইকুলগী এফসিএস গোদাউন্দ...

খোঙচৎসিদা কেন্দ্র অসিগী ওইনা লৈরিবা এফসিএস গোদাউন্দ অসিসু নীংথিনা শেমজিনবগী থবক পায়খৎলগনি। সাইকুলগী মীওইশিংনা থোং লৈতবদগী চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা অসি কোক্ল নবা সস্পেন্সন ব্রিদজ শানবা মহাক্কী দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী থবক পায়খৎলগনি হায়খি।

# রিছার্স দিভলপমেন্ট ৱিং...

সরকারনা ষ্টেটতু চাওখৎনবা মিনিষ্ট্রি খুদিংমক্তা চাদা ১০গী কান্নবা চাকথুং পীরি। মসিগুম্বা চাওখৎ-থৌরাং অসি ষ্টেট ষ্টেটতুনা ফংজনবা দোনর অমদি এনইসিনচিংবা কয়াসু লৈরি। হায়রিবা দিপার্টমেন্টশিং অসিদা পীরিবা চাদা ১০গী কান্নবশিং অসি স্মার্ট সোসাইটি, মণিপুরগুম্বা এনজিওশিংনা এগ্রিদা খঙদে, ভেটিরনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দরি খঙদে করিগুম্বা অমদা প্রোজেক্ট রিপোর্ট শাদুনা থাগৎলগা কান্নবা লৌহন্নিংই। কান্নবশিং অসি লৌরবদি মীওই অদুদা নত্তনা মণিপুর প্রজা লিশিং কয়াদা কান্নবা পীরগনি।

মহাক্না মখা তানা স্মার্ট সোসাইটিনা হোৎনবা অমগা লোয়নননা মীয়ামগী কান্নগদবা থবক তৌবিরক্লবদি এমপি লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মতেং পাংজগে। স্মার্টনসু ভারত সরকারনা পীরিবা চাদা ৯০ গী কান্নবশিং অসি লৌহৌদুনা সমাজগী কান্নগদবা থবক খরা তৌমিন্নসি হায়খি। ঙসিগী থৌরমদুদা সোভিনর অমসু ফোংখি।

# নন-মণিপুরী ১গী থোঙ্গাল ...

মরকসিদা থৌদোক অদুবু ৱাঙ্খেম বজার শোপ কিপ্পর এসোসিয়েসননা য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা ঙসি নোংমগী শিঙ্গা লেপ্তুনা দুকান্দারশিংনা ধরনা চত্থখি।

ঙসিগী ধরনা অদুদা ''মী হাৎলগা করি কান্নে, দুকান্দা বোম লংশিল্লগা পান্দম ফংগদ্রা, বোর্ডিংদা বোম পোকখাইহনবা য়ানিংদে'' হায়না থাবা প্লে-কার্ডশিংসু থেৎনখি।

থৌদোক অদুবু য়ানিংদবগা লোয়নননা মখা তানা থোকহন্দনবা অপিল তৌরদুনা থৌদোক অদু করম্বা গ্রুপনা করিগীদমক চত্থখিবনো হায়বদু মরী লৈনবশিংনা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা শেংদোক্লবা ৱারেপ লৌনখিবগা লোয়নননা করিগুম্বা শেংদোরক্ত্রবদি মখল কয়াগী অকনবা খোঙজং চংশিন্নবা লেপ্পখ্রে। ঙসিগী দুকান্দারশিংগী ধরনা অদুদা মফম অদুগী মৈরা পায়বীশিংসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, বিল্ডিং অসিগী মপু কদমজিৎ হন্দক পাংথোকখিবা এসেমব্লি মীখল অদুদা ৱাঙ্খেম কেন্দ্রদা এম এস সি পিগী মীরেপ ওইনা মীখল থেংনখিবনি।

# কাপশিন্দুনা শিজখ্রে

প্রভিন কুমার নোংয়াই মতুং পুং ১ দগী অয়ুক্কী পুং ৪ ফাওবা চীংমৈরোং *হায় কোর্ট কমপ্লেক্স*-তা দ্যুতি তারুম্লগা পোস্ততা হল্লক্লবা মতুং থৌদোক অসি থোকখিবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

অয়ুক পুং ৫ রোম তারকপদা পোস্ত অদুদা বি এস এফ জৱানশিং পেরেড তৌরিঙৈ মনুং প্রভিন কুমার মহাক্কী বেরেক-তা লৈখি। পেরেড মনুং খঙহৌদনা নোংমৈ মরূ অমা কাপখিবগী মখোল তাখি হায়দুনা চঙলগা য়েনরুবদা জৱান অসি শিরগা লৈরমখি।

মহাক্কী খদাং মখাদা নোংমৈ মরূ অমা পাল্লগা লৈরমখিবা অসিনা মহাক মশাদা ইসু তৌবা সর্ভিস ইন্সাস রাইফলনা কাপশিঞ্জদুনা শিজবা ওইগনি হায়নসু পুলিসনা ফোংদোক্লদুনা মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু রিমসকী মীরেল-শঙদা পোস্ত মোর্তেম একজামিনেসন তৌরবা মতুং ইমুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রে। অদুমকপু মহাক করিগীদমক মথন্ত নোংমৈনা কাপশিঞ্জদুনা শিখিবনো হায়বদুদি চপ-চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

# সিএমদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে...

অদুম ওইনমক সেদ্যুল কাষ্ট মহৈরোইশিংগী পিএম স্কোলরশিপ ২০১০-১১ অসি হৌজিক ফাওবা ফংদ্রি। হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা মেমোরেন্দম সবমিট তৌখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক অমত্তা লৌখৎতে হায়না পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা পোষ্ট মেত্রিক স্কোলরশিপ অসি অথুবা মতমদা পীথোকপীয়ু। করিগুম্বা স্কোলরশিপশিং অসি য়েম্থোক্তবা তারবদি ষ্টেটসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্লকপা য়াই হায়রি।

# ইম্ফাল-মন্দলে বস সার্ভিসকী...

চান্দেলগী নিউ সোমতাল অমদি উখুল দিষ্ট্রিক্টকী কোংকান থানা অমদি অমদি তুসোমদা হাঙনবা প্রোপোজ তৌবা অদুদা য়াওরি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

ম্যান্মারগী ওইনা বোর্দর হাট অসি সোমরাদা হাঙদোক্লবা অপাম্বা লৈ। লোয়নননা মণিপুরগী তুসোম অমদি ম্যান্মারগী সোমরাদা বোর্দর হার্ট শাবগী ৱাফম প্রাইম মিনিষ্টরনা ম্যান্মারদা চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অসিদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দর্সেতেন্দিং সহি তৌনবা য়াওরবা য়াই হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

মণিপুর অমদি ম্যান্মার অনিগী মরক্তা কলচরেল এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম পায়খৎনবা প্রপোজেলসু প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিনা তৌখি। লোয়নননা মদুগী ৱাফম অদু দোনরদা থাগৎলক্লবা অফবা পীরক্লে। লোয়নননা ইম্ফাল মন্দলে ফ্লাইট সার্ভিস হৌদোক্লবগী ৱাফমসু মীফম অদুদা পুথোকখি হায়রি।

# রাজস্থানগী হোটেল স্পাদা...

মণিপুরদা নুপী কয়া পুন্না ত্রেনিং অদুদা চৎখি। তুংদা রাজস্থানগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ফিজিওথেরাপিগী থবক তৌখি।

বিন্দিবালা অমদি মণিপুরী মচা খরা রাজস্থানগী উদয়পুরগী ফটেসাগর মনাক্কী হোটেল শেরাতন অম্বামতাগী স্পাদা থবক তৌখি। মহাক জেমসকা নুংশিনদুনা চেল্লবা তুংদা লুহোংনবা মতম থাদুনা লৈরিবনি।

লাক্লিবা জুন ইঙাগী ৫ নি পানবা নুমিৎতা লুহোংনবা য়ুমদা থোরক্লবা মচানুপীগা এপ্রিল ২৮ দা ফোন্দা ৱারী শান্নখি।

বিন্দিবালা হন্দক চহিগী মার্চ থাদা ইম্ফালদা থোরক্তুনা য়াওশঙ অমদি চৈরাওবগী কুম্মে য়াওরমখি। মার্চ ২৮ দা থবক মফমদা অমুক চংখিবনি। অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা থা অসিগী মে ২ দা রাজস্থানদগী মণিপুরী নুপী অমনা ফোন তৌরক্তুনা বিন্দিবালা অমদি জেমসগুম্বা পোৎশক থকপদগী হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। অদুদা য়ুমগী মীওই খরা চংলক্লবা খঙহল্লকখি।

জেমসকী য়ুমগী ফোন নম্বর য়াওদ্রে। পাউ খরা পীবিখরো হায়রকপদগী খুদক্তা জেমসকী য়ুমগী মীওইদা খরা চংলক্লবা খঙহল্লকখি। জেমসকী য়ুমগী ফোন নম্বর য়াওদ্রে। পাউ খরা পীবিখরো হায়রকপদগী খুদক্তা জেমসকী য়ুমগী মীওইদা পাউ পীখি। ফোন নম্বর অদুসু পীখি। জেমসকী ইমুং-মনুংগী মায়কৈদগী অচংবা শেলফম মখোয় পুথোক্লগে। য়াম্না থুনা চৎলসি হায়বদগী মে ২গী নুংথিলদা রাজস্থানগীদমক বিন্দিবালাগী অপোকপী মমা শান্তিবালা জেমসকী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়নননা ইম্ফাল থাদোকখি। ইচানুপী বিন্দিবালা হোস্পিতালদা লায়েংলিবা ওইনা খনবদগী লৈকায়গী মীয়ামগা ৱা নিংথিনা তানবা তৌদনা রাজস্থান্দা চৎখি। অদুবু মফম অদু য়ৌবদা মহাক্তি হান্না মে ২ দা শিখিবা ওইরম্লে হায়না শান্তিবালানা মমিৎতা মপি তানা কপ্পুনা পাউদম্লকখি।

শান্তিবালানা রাজস্থানগী উদয়পুরগী সুরাজপোল পুলিস ষ্টেসনদা ইবা অইবা ৱাকৎতা মহাক্কী মচানুপী অমদি জেমস ভারাগী কা অমদা লৈমিন্নখি। বিন্দিবালাবু জেমসনা য়াম্না খম্বনখি। কনাগুম্বা অমগা থবক্কী ৱারী শান্নরবসু খম্বদুনা কনাগা ৱারী শান্নরিবনো, করি তৌরিবনো হায়না ঙৈহাক লৈতনা চিংনবা মীৎয়েং য়েংদুনা উংখৎনবা খৎনবা, শাওনবগী পাউ বিন্দিবালানা তম্লকপা লৈ। থা ৩/৪ উদয়পুরদা লৈমিন্নবা অদুদা তৎতনা শাওনখি। জেমসনা বিন্দিবালা তাক্লমদনা মথন্তা মখোয় অনি লৈমিন্নরিবা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিবদগী বিন্দিবালানা থিখি। জেমসকা কমললোহোরগী হোটেল রতনদীপতা উন্নখি। হোটেল অদুদা মখোয় অনি মরৈ য়েংনদুনা কন্না খৎনখি। খৎনবা অদুদা জেমসতা য়াওবা গুলি কয়া বিন্দিবালানা লৌদুনা মখোয় অনি পুন্না চামিন্নখি। বিন্দিবালাদি খুদক্তা শিখি। অদুবু জেমসতি করিসু তৌদ্রে। মহাক্কী মচানুপী অসি জেমসনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি হায়না অইবা রিপোর্ট অদুদা পল্লি। থৌদোক অসিগী মতাংদা জেমসকী মথক্তা আইপিসিগী সেক্সন ৩০৬ অমদি ৩০৯ লৌখৎতুনা সুরজপোল পুলিস ষ্টেসন্না জেমসপু ফাজিন্দুনা মচিন হংখ্রে হায়রি।

# হ্যুমেন চেইন শেমদুনা প্রোটেষ্ট ...

অৱাং নোংপোক লমদমগী মরুওইনা মণিপুরগী মহৈরোইশিং অমসুং মখোয়গী অহল লমনশিংনা পুক্নিং লৈতানা লৈহন্নবা মরী লৈনবশিংদা তকশিনখ্রে।

এমসু, এমএসএফ, দেসাম, কেএসএ, সুক অমসুং স্বাক্লা পুন্না শিন্দুনা হ্যুমেন চেইন শেমদুনা চত্থখিবা প্রোটেষ্ট অদুদা রিচার্দ লোইতাম অমসুং ও লাবগী মীশি য়ানিংদে, অৱাং নোংপোক লমদমগী মহৈরোইশিংদা মেনলেন্দ ইন্দিয়ানা য়েংলিবা মীৎয়েং য়ানিংদে, মীহাৎপশিং দন্দি পীগদবনি হায়না খোল্লাও কয়াসু লাওখি।

প্রোটেষ্ট অদুগা মরী লৈননা দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল থোইথোইনা ফোঙদোকখিবদা মহৈরোই লুপ তরুক্লা চত্থরিবা খোঙজং অসি মরুওইনা মপান লমদা মণিপুরগী মহৈরোই কয়ানা লাইরিক লাইশু তম্লিবা অসিদা মেনলেন্দ ইন্দিয়ানা শা-ঙাগুম খনবা, হাৎনিংবা মতমদা হেক্তা হাৎপা, নুপী মহৈরোই কয়াবুনা মোলেষ্ট তৌনিংবা অমদি রেপ তৌনিংবা মতমদা তৌবা অসিনচিংবা কয়া অসিদগী তুমিন্না লৈথোকপা কয়াদগী খোঙজং অসি চংশিল্লকখিবনি।

হৌখিবা চহি ২০১১ গী জুন ২৩ দা য়ুম্নাম লৈকাইদগী মহৈরোই ও লাবা মহাক্লা তম্লিবা টামিলনাডুগী হিন্দুস্থান কলেজ ওফ আর্টস এন্দ সাইন্সকী হোষ্টেলদা মমায় প্লাষ্টিক্লা উপশিন্দুনা হাৎলম্বা অদুগা চহিসিগী এপ্রিল ১৮ দা উরিপোক য়াম্বেম লৈকাইদগী বেঙ্গলোরগী অচারিয়া এনআরভি স্কুল ওফ আর্কিটেকচরদা সেকেন্দ সেমিষ্টর তম্বা মহৈরোই রিচার্দ লোইতাম্বু মীনুংশি লৈতনা হাৎতোকপীরম্বা অসিদা সরকারনা খুদক্তা এক্সন লৌখৎত্রি হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি। লোয়নননা মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা লমদমসিগী মহৈরোই কয়া মীশি চাদনা শিবা লেপত্রি। অদুম ওইনমক হন্দক রিচার্দ লোইতামগী মতাংদা মণিপুর সরকারনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু খোঙথাং অসি মমাংদা ও লাবা অমসুং অতৈ লৈখিদবা মহৈরোইশিংগী মতমদা লৌখৎলম্লবদি য়াম্না মতাং চাগদবনি। য়াদে খঙহল্লম্লবদি ঙসি মপান লমদা মহৈ মশিং তম্লিবা মহৈরোই কয়া মেনলেন্দ ইন্দিয়ানা তৌনিংবদা তৌরিবসি লেপ্পলম্বা য়াই হায়খি।

অমরোমদনা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ অসাম য়ুনিভর্সিটি সিলচরনা এপ্রিল ১৮দা মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাংমদা রিচার্দ লোইতাম হাৎতোক্লম্বা অমদি মেঘালয়াদগী দনা সংমা মীশিগী মায়োক্তা ঙসি য়ুনিভর্সিটি অদুগী কেম্পসতা সাইলেন্ট রেল্লি অমগা লোয়নননা কেন্দল লাইটিং অমা পাঙথোকখ্রে।

অসাম য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস কাউন্সিলগী মতেংগা লোয়নননা পাঙথোকখিবা রেল্লি অদুদা মহৈরোই ২০০ রোম হেনবা শরুক য়াখি। লোয়নননা জষ্টিস ফোর রিচার্দ এন্দ দনা সংমা, ষ্টোপ ব্রুটেল কিলিং ওফ ষ্টুদেন্টস হায়না থাবা প্লে কয়াসু থেৎখি।

মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন চান্দিগরনা ঙসি পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটি চান্দিগরগী ষ্টুদেন্টস সেন্টরদা চত্থখিবা সিট ইন প্রোটেষ্ট অদুদা মহৈরোইশিংনা রিচার্দ মীহাৎপু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়নননা রিচার্দ লৈখিদবা অমদি মৈস্নাম জোকিনা লৈখিদবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি। নুমিদাংদসু কেন্দল থান্দুনা রিচার্দকী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মীশি অসিগী অচুম্বা অমা পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক ফংহন্নবসু ঈশ্বরনা প্রার্থনা তৌখি হায়রি।


## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, THOUBAL, MANIPUR

Ref: Mut. Case. No. 178 of 2012

1. Thounaojam (O) Leirikmacha Devi W/o., (L) Th. Chaoba Singh of Haokha Mamang 2. Thounaojam Rajen Singh S/o., (L) Gerani Singh of Haokha Mamang 3. Thounaojam Kumar Singh S/o., (L) Gerani Singh of Haokha Mamang

.. Petitioners

Vrs:-

Late Thounaojam Gerani Singh S/o., S/o., Thambal Singh of Haokha Mamang

Pattadar

### NOTICE

Thoubal, the 3rd May 2012

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি মথক্তা পল্লিবা দংকারি অহুম্না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মদুদি Village No. 21-Haokha Mamang, Patta No. 160, Dag No. 181, area .0700 Hect. of Ingkhol লম অসিগী Pattadar Thoujaojam Gerani Singh S/o., (L) Thambal Singh of Haokha Mamang অসি মৃঃ ওইখ্রে। মৃঃ ওইখ্রবগী তুংদা মহাক্কী মচাশিং অমদি মমৌনা মখোয়গী মমিংদা ওনশিনবীরো হায়ররে। মিং ওনশিনখিবদা য়ানিংদবা/ য়েৎপীনিংবা য়াওরবদি অইবা চেদা মশা মশা লাক্তুনা কোর্ট অসিদা খবরদা ফোংবদগীনা নুমিৎ তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরগদবনি। পীরিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কোর্টনা কেস মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্টনা লৌরোই।

Sd/-
**Sub Deputy Collector**
Thoubal Manipur

NT/ /6



## LOST

I have lost my Original Certificate of HSLC Exam. 1993 bearing Roll No. 4183 issued by Board of Sec. Edn. Manipur on the way in between my residence and Moirang Bazar on 17/3/2012.

Finders are requested handover the same to the undersigned.

**Salam Ibemcha Chanu**
Sagang

NT/43002/6



## LOST

I have lost my Original Certificate of HSLC Exam. 1993 bearing Roll No. 18020 issued by Board of Sec. Edn. Manipur on the way in between Khangabok and Imphal on 26/4/2012.

Finders are requested handover the same to the undersigned.

**Laishram Kesho Singh**
Khangabok Khullakpam Leikai
#: 9856951807

NT/43198/6



## LOST

I have lost my mobile phone bearing No. 9436038593 issued by BSNL Imphal on the way in between my residence and Lamsang.

Finders are requested handover the same to the undersigned.

**Kirankumar Singh Rajkumar**
Sagolband Bijoy Gobinda Leikai
Near Temple

NT/43194/6



## BRICK AVAILABLE

| Class | Rate | Brick | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs 9.20 | 3000 | Rs 27600 | Rs 3000 | Rs 600 | Rs 31200 |
| " | " | 2000 | Rs 18400 | Rs 2000 | Rs 400 | Rs 20800 |
| " | " | 1500 | Rs 13800 | Rs 1500 | Rs 300 | Rs 15600 |
| 2nd | Rs 8.70 | 3000 | Rs 26100 | Rs 3000 | Rs 600 | Rs 29700 |
| " | " | 2000 | Rs 17400 | Rs 2000 | Rs 400 | Rs 19800 |
| " | " | 1500 | Rs 13050 | Rs 1500 | Rs 300 | Rs 14850 |
| Rej | Rs 8.50 | 3000 | Rs 25500 | Rs 3000 | Rs 600 | Rs 29100 |
| " | " | 2000 | Rs 17000 | Rs 2000 | Rs 400 | Rs 19400 |
| " | " | 1500 | Rs 12750 | Rs 1500 | Rs 300 | Rs 14550 |
| P.T. | Rs 8.20 | 3000 | Rs 24600 | Rs 3000 | Rs 600 | Rs 28200 |
| " | " | 2000 | Rs 16400 | Rs 2000 | Rs 400 | Rs 18800 |
| " | " | 1500 | Rs 12300 | Rs 1500 | Rs 300 | Rs 14100 |
| 3rd | Rs 6.00 | 3000 | Rs 18000 | Rs 3000 | Rs 600 | Rs 21600 |
| " | " | 2000 | Rs 12000 | Rs 2000 | Rs 400 | Rs 14400 |
| " | " | 1500 | Rs 9000 | Rs 1500 | Rs 300 | Rs 10800 |

NT/43159/4,6,8,10,12

Contact:- 9856052197, 9862048579
PIS Brick Field, Wangjing Saban Chekon Leikai



## LOST

I have lost my Original Certificate & Markshet of HSLC Exam. 2008 bearing Roll No. 11612 issued by Board of Secondary Education Manipur and also Certificate & Marksheet of HSLE Exam. 2010 bearing Roll No. 17657 issued by Council of Higher Secondary Education Manipur on the way in between Thoubal and Imphal

Finders are requested handover the same to the undersigned.

**Yanglem Premkumar Singh**
Awang Leikinthabi Shantipur
#: 8974172873

NT/G-B/6



## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, PATSOI

Ref: Mut. Case. No. 297/SDC/IW(P) of 2012

Khulem (O) Yaima Devi W/o., (L) Kh. Ibochou Singh of Langjing Achouba Awang Leikai

.. Petitioner

Vrs:-

Late Khulem Ibochou Singh S/o., (L) Naran Singh of Langjing

Deceased Pattadar

### NOTICE

The 5th May, 2012

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইরদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি। মদুদি মৃঃ পাট্টাদারগী মীংদা পানবা ই:ও: খুল নং ১০৪-লাংজিং অচৌবগী অনৌবা পাট্টা নং ১০৪/১৮৩/৪১৯ গী দাগ নং ৬৪/৬৬৯ গী .০৮১ একরগী ইঙ্খোল অসি দংকারিনিনা (পেটিস্নর) মহাক্কী ফংফম থোকপা স্বতনি। মহাক্কী মমিং পানশিনবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মসিদা মৃঃ পাট্টাদারগী মরী লৈনবা মচা, মশু, শাগৈ নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৫।৫।২০১২ ইংগী অয়ুক পুং ১১ তাবা ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হুকুম মখা চত্থরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector**
Imphal West-Patsoi

NT/ /6



## পাউজেঞ্জবা

(অনকপা অমসুং অরাপ্পদা লৈবা)

লাক্লিবা তাং ১৩ থা ৫ ইং, ২০১২ কালেনগী ২৩ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ (নিপান) দা মোইবুংলোকপম, ফিঙাং শেৎপা য়ুম্নাম শাগৈগী ওইবা মীফম অমা ইবুধৌগী শঙলেনদা পাঙথোকচগনি। মরম অদুনা চহী খুদিংগী ইঙাগী ১৩ নি পানবদা অপোকপা ''ইবুধৌ'' গী চাক্লোং কৎপগী খন্ন-নৈনবগী মীফম অসিবু য়াওবিরনবা পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবা
য়ুম্নাম কুল্লচন্দ্র (ইবুঙো) সিংহ
য়ুম্নাম নিংথৌরেল
#: 9856459617, 8575371282

NT/43175/5,6



## URGENTLY WANTED TEACHER

MATHS & CHEMISTRY

Contact No.
9436891923, 9615012515

NT/46197/5,6



## মরী লৈনদে

তাং ৩।৫।২০১২ কালেনগী ১২ পানবা শগোলশেল নুমিৎকী শোরোখাইবম শাগৈগী অপোকপা খুরম্বা নুমিৎকী নুংথিল পুং অহুম (৩) তাবা মতমদা সোরোখাইবম বোয়াই (লমঙানবা) বু মখাদা পঞ্জরিবা মীওইশিং অসিনা করিগুম্বা নিঙাই শঙদাইনবা খরা থোকখিবা অদু বোয়াই হায়রিবা মীওই অসি মাগী মরাল অমত্তা লৈরমদ্রে।

মখাদা মীং পঞ্জরিবা ঐখোয়না মাগী মফমদা লাল্লে হায়না হায়জরি।

হায়জরিবা:
. S. Biken Singh S/o., S. Angoura 2. S. Tomba Singh S/o., S. Jila 3. S. Bijoykumar Singh S/o., S. Deban 4. S. Pote Singh S/o., S. Chandramani
Charangpat Mayai Leikai,

NT/43190/6



## হিদাক কাপথোকখ্রে

Awang Sekmai Veterinary Hospital গী Dr. Kh. Ibetombi অমদি থাগী ষ্টাফশিংনা শিল-লাংদুনা Sekmai Area দা লৈবা শা-শনদা B-Q Vaccine কাপথোকখ্রে।

Sd/-
**Dr. Kh. Ibetombi Devi**
*Vety. Officer*
Sekmai Vety. Hospital

NT/43189/6



## BUDHA PURNIMA পাঙথোক্কনি

Peace Council & Truth Foundation, Manipur না চহি খুদিংগী International Peace Day (Budha Purnima) পাঙথোকচবগুম তাং ৬।৫।২০১২ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎতা মোরেদা পাঙথোক্লগনি। বুধগী ৱাখল্লোন অমদি মালেমদা শান্তি পুরক্লবা পান্দমদা লৈখিদ্রবা ওঁ তোম্বনা থম্বীরম্বা ভারতপু অফবা-অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবিরম্বা ওঁ তোম্বগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমগনি হায়না সি ঐচ নিল্লধজা সেক্রেটরি Peace Council & Truth Foundation Manipur গী চেরোল অসিনা খঙহল্লি।

খঙহঞ্জরিবা
**Ch. Niladhaja Meitei**
*Secretary,*
P.C. T.F. Manipur

NT/43001/6



## AMESTA গী পাউজেল

Order No. 32/1/2010-SE(S) Dated 27/4/2012 গী Secretariat Education (S) গী মতুংইন্না Undermatric, Matriculate Undergraduate Teachers ওজাশিংনা Higher Scales/requisite Qualification Scales অমদি পোষ্টনা মেট্রিকুলেট ওইবা অদুগা Primary Teacher Scale হৌজিক হৌজিক লৌদুনা থবক তৌরিবা ওজা খুদিংমক্লা লাক্লিবা তাং ১২।৫।২০১২ ইং, থাংজ নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা Directorate Education (s) দা মখাগী দোক্যুমেন্টসশিং শোইদনা পীশিনবীয়ু। হায়রিবা চে-চাংশিং পীশিনবীহৌদবা ওজাশিংগী ৱাকৎ মখা তানা লৌজরোই।

Documents

1. 1st appointment (regularised) order 2. Requisite qualification/higher scales orders. 3. Present posting orders. 4. Educational Certificates. 5. MGEL and Virification orders.

Sd/-
**Ch. Santakumar Singh**
*General Secretary,*
AMESTA, Manipur

NT/43187/5,6



## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, POROMPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR

Ref: Mut. Case. No. 656/SDC/P of 2011

1. Md. Nurul Hussain S/o., (L) Nazmul Hussain of Khergao Awang Leikai 2. Md. Riyajuddin Khan S/o., (L) - do - of - do -

.. Petitioners

Vrs:-

Late Ali Hussain S/o., Najammun of Khergao

O.P.s.

### NOTICE

Porompat, the 23rd Dec. 2011

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 30-Khetrigao গী Patta No. 79 (অরিবা) 358 (অনৌবা) C.S. Dag No. 220 an area .45 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Co-Pattadar No. 1 (one) অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা/ Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar/Co-Pattadar No. 1 (one) অসিগী লম অসি মমিং ওনবিরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি অমসুং মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

NT/43006/6



## 1ST STATE LEVEL MATHMATICS COMPETITION

**Organised by: Pureiromba Youth Club**
**Bamon Kampu Mayai Leikai, Imphal East**

***Venue :*** **Johnstone Hr. Sec. School**
**Form Rate : 100/-**
**Time : 11:00 a.m.**
**Form available at PYC (Pureiromba Youth Club) Bamonkampu)**

***Details Prizes:***

- # Over all Topper
  1. 10,000/- with Certificate
  2. 5000/- with Certificate
  3. 3000/- with Certificate
- # Catagory wise topper prizes
  1. 1,500/- with certificate each
- # Consolation Prizes
  1. 10 nos. of students 500/- with Certificate each

**Contact No.**
9862039420, 8794892528

NT/43183/6